**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-05-2026)**

**সিএম(এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগা ঙসি মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা বোডর সেক্যুরিতি ফোর্স (বি.এস.এফ) কী দি.আই.জি. সুভেন্দর কুমার অমসুং ৬৪ শুবা বি.এস.এফ. বটালিয়নগী কম্মান্দেন্ট-পঙ্কজ কুমারগা উন্নদুনা রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা কুপা খন্নখ্রে।

উন্নবা অদুদা সরকার অসিনা হনবা লৈতনা শান্তি অমসুং তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনরিবা অসিদা বি.এস.এফনসু মতম চুপ্পদা মতেং পাংগনি। রাজ্য অসিগী মীয়ামবু অশোয় অঙাম থোকহন্দনবা হোৎনবদা বি.এস.এফনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। তুং কোইনসু লৌখিগনি।

নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়ারগী ওফিসিএলশিংনসু ঙসি মুখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দগা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নখ্রে। চীফ এদমিনিষ্ট্রেটিব ওফিসার-এস. কে. সপ্রা অমসুং চীফ ইঞ্জিনিয়ার-এস.পি. দেসমুখনা লুচিংবা ওফিসিএলশিং অদুনা মুখ্য মন্ত্রিদা ইম্ফাল-জিরিবাম রেলৱে লম্বীগী মতাংদা পাউদমখি।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রেল লম্বী অসি মতম চানা লোয়শিনবা ঙমবা হৌজিক হৌজিক থবক পাঙথোকপদা থেংনরিবা শিংনবশিং অমদি মদু কোকহন্নবা পান্থৈশিং খন্নখি। অপনবা কয়া লৈরবসু রেল লম্বী শেল্লিবা অসি তঙাইফদবা থবকশিং লৌখৎতুনা প্রোজেক্ট অসি নীংথিনা চংশিনবা ঙমবা হোৎনরি।

মনিপুরগী ওইনা মরুওইবা প্রোজেক্ট অসি অথুবদা লোয়শিন্নবা অমসুং মথৌ তৌবা ঙমহন্নবা সরকারগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়রি।

অমরেমাদা, মখ্য মন্ত্রি-য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি-লায়না অমসুং শেল ইচং চংহন্দনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তমহন্নবা সরকারগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ। মুখ্য

মন্ত্রিনা ঙসি দি.এম. য়ুনিভরসিতি কম্ম্যুনিতি কলেজ ইম্ফালগী ওজা কাংবু অমগা মহাক্কী সেক্রেটরিয়েটতা উন্নখি। ওজাশিং অদু-খুমুকচম জয়কিসন সিংহ-এম.এল.এনা লুচিংলকখি। মখোয়না ইন্সটিট্যুসন চাউখৎহন্নবা অমসুং মিং চনবগা মরী লৈনবা মরুওইবা ৱাফম কয়া খন্নখি।

**কামজোং (এল)ঃ** কামজোং জিলাগী ভারত-ম্যান্মার তাইনবা ঙমখৈদা ভারতলোম থংবা শরুক্তা লৈবা খুঙ্গংশিংগী য়ুম কয়া মশক খঙদবশিংনা মৈ থাদোক্লক্লবদগী জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার এল.এন. কাসুংনা দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকা লোয়ননা মফম অদুদা চংশিনখ্রে।

ঐখোয়গী উখ্রুল পাউমী সোথিং সিমরেনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী পাউ পল্লদুনা হায়-কামজোং জিলাগী মনুং চনবা ঙমখৈদা লৈবা খুঙ্গংগী য়ুমশিং অদু ঙমখৈ ৱাংমদগী নারোলদা চংশিল্লকপশিংনা মৈ থাদোক্লম্বা ওইরম্বা য়াই। পাউগী লীখুন অদুনা হায়-দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না ফিভম অদু কুপা য়েংশিল্লি। ঙমখৈ ৱাংমদগী চংলকপনি হায়না চিংনবা খুৎলায় পায়বশিং অদুনা ঙসি অয়ুক লাক দারম্বা অমসুং য়ুম খরা মৈ থাদোক্লম্বা খুঙ্গংশিং অদুদি-ৱাংলি, নামলি অমসুং চোরোনি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা এম.এল.এ. লৈশিও কৈশিংনা হায়-মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা মপানগী খুৎ য়াওশিল্লকপগী মমি তারে। ঙসি অয়ুক কামজোংগী খুল অহুমদা চথুরকখিবা থৌওং অদু য়ামা লাইবক থিবনি। মহাকা হায়-ঙমখৈগী শরুক অসি শম্বল খাবা খক্তনা তুং কোইবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমলোই। লৈবাক অনি তায়নরিবা মফম অসিদা মতিক চাবা সেক্যুরিতিগী ঙাকশেলগী থৌরাংশিং লৌখৎপা তঙাইফদে।

শ্রী লৈশিওনা হায়-কামজোং জিলাদা থোকখিবা থৌদোক অসি কেন্দ্র সরকার অমদি রাজ্য সরকারনা কুপা য়েংশিনবা মথৌ তায়। থৌদোক অদুদা খুঞ্জা কয়া অশোক অপন নংবতা নত্তনা মীওই অনি হৌজিক মফম খঙদনা লৈরি। মরম

অদুনা ঙমখৈদা লৈরিবা খুলশিং অসিবু ঙাক শেনবদা হেন্না খুদোংচানবা অহেনবা সেক্যুরিতিগী থৌরাং লৌখৎপীয়ু।

মরক অসিদা, দিপ্যুতি কম্মিসনার কামজোংনা ঙসি জিলা অসিগী তাঙ্খুল অমসুং কুকি সি.এস.ওশিংগী কোওর্দিনেসন মীতিং অমা পাঙথোকবা তৌরম্বা অদু ঙমখৈ পরিংদা ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী য়েংলগা য়ৈথোকখ্রে। এদ্দিসনেল দিপ্যুতি কম্মিসনার ঐচ.এল. জৈননা হায়-ঙমখৈগী খুঙ্গংশিংদা ওইরক্লিবা ফিভম অদু য়েংলগা মীফম য়ৈথোক্লে। অনৌবা নুমিৎ অমা অথুবদা লেপ্লগনি হায়রি।

**কোকোমি(এল)ঃ** মনিপুরগী উখ্রুল অমসুং কামজোং জিলাদা নৌনা হিংশাগী থৌদোকশিং চথরক্লিবা অসিদা কোওর্দিনেটিং কমিতি ওন মনিপুর ইন্তিগ্রীতি (কোকোমি) না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

কমিতিগী চেরোল অমনা হায়-ম্যান্মাররোমদগী চংশিল্লকপা খুৎলায় পায়বশিংনা ভারতকী ঙমখৈদা লৈবা খুলশিংদা লান্দারকপা অসিমক য়ামা লাইবক থিবনি। ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারনা মীচম মীয়ামবু অশোয় অঙাম থোক্তনবা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎফম থোকই। অথুবা মতমদা ঙমখৈ লান্না চেনশিল্লক্লিবা খুৎলায় পায়বশিং অসি তকথোকবা থৌরাং সরকারনা পায়খৎপীয়ু হায়না আপিল তৌরি।

**রিজল্ট(এল)ঃ** বোর্ড ওফ সেকেন্দরি এদুকেসননা-মনিপুর (বোসেম) না লৌবা কুমশি চহিগী মেত্রিক পরিক্ষাগী ফল হয়েং লাউথোক্লগনি।

বোর্দকী পাউ অমনা হায়-হায়স্কুল লিভিং সার্টিফিকেট ইগজামিনেসন ২০২৬ কী ফল হয়েং নুংথিল পুং ৩ দা লাউথোক্লবা য়াই। পরিক্ষা ফল অসি বোর্দকী ৱেব সাইট- মেন রিজল্টস দোট এন.আই.সি দোট ইন-দা য়েংবা য়াগনি।

ঐখোয়গী পাউমীনা হায়-চহি অসিগী ফেব্রুৱাইরি ২৩ দগী মার্চ ২৩ ফাওবা

পাঙথোকখিবা পরিক্ষা অসিদা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩৬,৭২৫ না পরিক্ষা থাখি। মদুগী মনুংদা সরকারগী স্কুলশিংগী মহৈরোই লিশিং ৮,১৯১, এদেদকী লিশিং ১,৪৯৮ অমসুং লন্নাই স্কুলগী মহৈরোই লিশিং ২৭,০৩৬ য়াওরি। মসিগী মনুংদা আই.দি.পি. মহৈরোই ৩৯২ সু য়াওরি। পুন্না পরিক্ষা সেন্টর ১৬১ হাংদোকখি।

**মেঘাচন্দ্র(এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ৱাইথৌ পাৎকী হৌজিক হৌজিক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং ঙসি ৱাংখেম কেন্দ্রগী এম.এল.এ. কৈশাম মেঘাচন্দ্রগা এন.ঐচ.আই.দি.সি.এল, দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং ৱাটর রিছোর্সেস বিভাগকী মীওইশিংগা লোয়ননা য়েংশিনখ্রে।

পাৎ অসিগী অকোইবদা লৈরিবা মীয়ামশিংগা এম.এল.এ. কে. মেঘাচন্দ্র অমদি ওফিসিএলশিংগা হকথেংননা উন্নদুনা পাৎ অসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনখি হায়রি। শ্রী মেঘাচন্দ্রনা হায়-ইরাংনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চহি অহুম অসি বিভাগশিংগী মীহুৎশিংগা ৱাইথৌ পাৎকী ফিভম অসি য়েংশিনবগী খুদোংচাবা ফংখিদে। লৌমীশিংগী অৱাবশিং মখা তানা থোক্তনবা লৌ উবগী মতম য়ৌদ্রিঙৈদা ৱাটর রিছোর্সেস বিভাগনা রিনোভেসনগী প্রোগ্রাম অমা হাপ্পীদুনা অথুবদা ইথৈ লৌখোংশিং অসিদা ঈশিং য়ৌহন্দুনা লৌ উবা য়ানবা শিন্নবসু এম.এল.এনা খঙহনখি।

**ফয়ার(এল)ঃ** মনিপুর ফয়ার সার্ভিসনা থা অসিগী মরিদগী হৌদুনা চয়োল অমা চুপা চগুরকপা হোস্পিতাল ফয়ার সেফতি ত্রেন্নিং অমদি ইভাকেসন মোগ ড্রিলগী শরুক অমা ওইনা ঙসি রাজ মেদিসিতি হোস্পিতালদা পাঙথোকখ্রে।

ফয়ার সার্ভিসকী চেরোল অমনা হায়-হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতাল চুরাচান্দপুর, চান্দেল, বাবিনা হোস্পিতাল অমদি দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সাভির্সেসতসু থৌরমশিং অসি পাঙথোকখ্রে।

**ককচিং(এল)ঃ** চাইল্ড মেরিএজ অমদি চাইল্ড ত্রাফিক্কিংগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়াম পুন্না খঙমীন্নবগী থৌরম অমা ঙসি ককচিং জিলাগী লমজাউ ময়াই লৈকাইগী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিট-ককচিং, সোসিএল ৱেলফিয়ার বিভাগ অমসুং মঙাল ভি.এল.এফ, লিংজেল ভি.এল.এফ, লমজিংবী ভি.এল.এফ, থৌজাল ভি.এল.এফ, ক্লবশিং অমসুং মৈরা পায়বীশিংনা পুন্না শিনবা থৌরম অসিদা অখঙ অহৈশিংনা নুপীমচাশিংনা ঙন্না য়ুম্বাল লম্বীদা খোঙদাবা অমসুং অঙাং ফাদুনা লল্লোনবগী মতাংদা অকুপ্পা ৱারোল পীখি।

**চান্দেল(এল)ঃ** রেজিং এন্দ এসিলেরেটিং এম.এস.এম.ই. পার্ফোমেন্স (রেম্প) স্কিমগী মখাদা দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-চান্দলেনা শিনদুনা মনিপুরদা ইকো টুরিজম চাউখৎহন্নবগী ৱাখল্লোনদা নুমিৎ হুমনি চুপা চথরকপা হোস্পিতালিতি, টুরিষ্ট গাইদ অমদি নেচর গাইদ মেনেজমেন্টকী ত্রেন্নিং ঙসি লমফৌ পাসনা কম্যুনিতি হোলদা লোয়শিনখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দি.এফ.ও. চান্দেল-ডা: এন. মুনালনা হায়-রেম্পকী মখাদা তোঙান তোঙানবা ইকো টুরিজমগা মরী লৈনবা হীরম তরুক্তা ত্রেন্নিংশিং পাঙথোকখ্রে। মসিনা নহাশিংবু মশানা মশাবু থবক পীজবদা মতেং ওইরগনি।

**এআর (এল)ঃ** থ্রি কোর জেনরেল ওফিসার-কম্মান্দিং লেফটনেন্ট জেনরেল-গীরিজ কালিয়া, এ.ভি.এস.এম, ভি.এস.এমনা সোমসাই অমসুং ককচিং গেরিসনদা হৌজিক হৌজিক ওইরিবা সেক্যুরিতিগী ফিভম য়েংশিনখ্রে। মহাক্না লোয়ননা ইন্সপেক্তর জেনরেল অসাম রাইফলস (সাউথ) অমসুং মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংসু য়াওরি।

সোমসাইদা কোর কম্মান্দরদা সেক্তর কম্মান্দরনা উখ্রুল অমসুং

কামজোংগী হৌজিক হৌজিক ওইরিবা সেক্যুরিতিগী ফিভমগী মতাংদা পাউদমখি। মফমশিং অসিদা ওপরেসন চথবগী মতাংদসু অকুপ্পা ৱারোলশিং থমখি। মসিগী তুংদা ককচিংগী গেরিসনদা সেক্তর কম্মান্দরনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা পাউদমখি।

লেফটনেন্ট জেনরেল-কালিয়ানা ক্রুপ অসিনা কাউন্টর ইন্সরজেন্সি ওপরেসনশিংদা মখোয়না লৌরিবা থৌদাংশিংবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

**এআর-যোগা (এল)ঃ** ১২ শুবা মালেমগী যোগা নুমিৎকা মরী লৈননা অসাম রাইফলসনা তিংজং কায়জংদবা জাতি অমা ওইনবগীদমক ক্বাথা অমসুং সিতাদা যোগা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নুপী, নহাশিং য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

**বিহারঃ** বিহারগী মুখ্য মন্ত্রি-সমরাত চৌধুরিগী মন্ত্রি-মন্দল ঙসি চাউথোকখ্রে।

পাটনাগী গান্ধি মৈদানদা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা রাজ্যপাল-লেফটনেন্ট জেনরেল (রিটয়ার্দ)-সয়েদ অতা হসনাইননা মন্ত্রি ৩২ থবক পায়বা অমসুং অরোনবগী ঙাকপগী ৱাশক লৌখি।

শ্রী সমরাত চৌধুরিগী মন্ত্রি-মন্দলদা হৌজিক বি.জে.পিগী ১৫, জে.দি.য়ুগী ১৩, লোক জন্না শক্তি (রাম বিলাস) কী অনি, হিন্দুস্থানি অৱা মোর্চা অমসুং রাস্ত্রিয়া লোক মোর্চাগী অমমম য়াওরি।

ঙসি ৱাশক লৌখিবা মন্ত্রিশিংগী মনুংদা জে.দি.য়ুগী প্রসিদেন্ট-নিতিশ কুমারগী মচানুপা নিশান্ত কুমার য়াওরি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং-রাজনাথ সিংহ, অমিত সাহ, জে.পি-নদ্দানচিংবা য়াওখি। বি.জে.পিগা নেসনেল প্রসিদেন্ট-নিতিন নবিন, জে.দি.য়ুগী প্রসিদেন্ট-নিতিশ কুমারসু ৱাশক লৌবগী থৌরমদা শরুক য়াখি।

**সিন্ধুরঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-টেরোরিজমবু মায়থিবা পীনবা অমসুং টেরোরিজমবু মথৌ তৌহল্লিবা মফমশিং থুগায়নবা লৈবাক অসিগী অচেৎপা ফিরেপতা অহোংবা লৈতে।

ওপরেসন সিন্ধুরনা চহি অমা মপুং ফারকপদা সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-ওপরেসন অসিদা ভারত লান্মীনা কনাগুম্বা অমত্তগা মান্নদবা থৌনা চপ চানা থবক পাঙথোকপা অমসুং মদুগী ৱারেপ অদু মপুং ফানা উৎখি। মহাকা হায়-পহলগামদা মরাল লৈজদবা ভারত মচাশিংদা লান্দারকখিবা মখোয়শিংদুগী মথক্তা ভারত লান্মীনা চপ চানা পাউখুম পীখি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী ৱাঙাংলোই-রনধির জেসৱালনা হায়রি-ওপরেসন সিন্ধুরদা ভারতনা পাকিস্তানবু চপ চানা পাউখুম পীখ্রবনি। ঙমখৈ লানশিল্লক্তুনা টেরোরিজমগী থৌওং চথরক্লিবা পাকিস্তানদা ভারতনা পারা অমা তন্বীখ্রবনি। মহাকা হায়-পাকিস্তাননা ঙমখৈ লানশিনদুনা টেরোরিজমগী থৌওং চথবা অসি মখোয়গী থৌশিল থৌরাং অমগুমা মতম শাংনদগী চথদুনা লাকপনি। মখোয়গী থৌওং অদু ভারতনা ঙাকথোকচনবগী হক লৈ অমসুং টেরোরিজমগী মায়োক্তা লেপ্পা লৈতনা মায়োকখিগনি।

ওপরেসন সিন্ধুরগী অহানবা কুমওনদা রাস্ত্রপতি, উপ রাস্ত্রপতি, লোক সভা অধ্যক্ষ অমসুং গৃহ মন্ত্রিনা ভারত লান্মীগী থৌনাবু থাগৎলি।

মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা ওপরেসন সিন্ধুরগী চহি অমা মপুং ফারকপগা মরী লৈননা ভারতনা কৈদৌনুংদা টেরোরিজমবু লায়না লৌরোই হায়রি।

ইন্সপেক্তর জেনরেল অসাম রাইফলস (সাউথ) কী মখাদা ঙসি সেলোন লমদমদা ওপরেসন সিন্ধুরনা চহি অমা মপুং ফারকপগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা কম্ম্যুনিতি আউটরিচ প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা খুঞ্জাশিংগা লোয়ননা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেলশিংনা রন ফোর ফন্দ হায়বা থৌরম অমসু পাঙথোকখি। উ চারা থাবা, অকোইবগী

ফিভমগী মতাংদা মীয়ামবু মপুং ফানা খঙহনবা, সসটেনেবল দিবলপমেন্টকী ৱাফমশিং মীয়ামদা য়ৌহনবনচিংবা য়াওরি। মসিগা লোয়ননা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি।

**মীফমঃ** ভারত অমসুং ফ্রান্সনা সাইন্স, টেকোলোজি অমসুং স্পেসকী লমদা হেন্না পাকথোক চাউথোকপা মরী থমনবা খন্নখ্রে।

কেন্দ্রগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি-জিতেন্দ্র সিংহগা ফ্রান্সকী হয়ার এদুকেসন, রিছার্স অমসুং স্পেসকী মন্ত্রি-প্রোফেসার ফিলিপ বেপটিসনা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা সাইন্স, স্পেস অমসুং টেকোলোজিগী লমদা হেন্না তেংবাং পীননবা অমসুং হেন্না মরী থমবা ৱাফমশিং খন্নখি।

**ফুটবোল ঃ** মনিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনদুনা চথরকপা ২৪ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ফাইনেল অমসুং অহুমশুবা মফম লাক্লিবা তাং ১০ দা সাই এন.ই.আর.সি. ফুটবোল গ্রাউন্দ-তাকয়েল ইম্ফালদা পাঙথোক্লগনি।

ফাইনেলদা ই.এম.এফ.সি. লমলাই অমসুং কৈশামথোং এফ.সি. শান্নগনি। অহুমশুবা মফমগীদমক এ.এফ.এফ.সি. ইম্ফাল অমসুং থাংমৈবন্দ এফ.সি. শান্নগনি।

**ফুটবোল ঃ** কিয়ামগৈ য়ুথ প্রাইওনর ক্লবনা শিন্দুনা চথরিবা চহি ১৫ মখাগী ১৪ শুবা খাগেম্বা ফুটবোল ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা সি.ঐচ.এস.এস. ময়াং ইম্ফালনা আর.এস.সি. থোংজবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইদুনা ফাইনেল চংখ্রে।

অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা দি-স্কার নোংমৈবুংনা কে.এফ.এ. লাইফম খুনৌবু পেনালতি কিকতা পাঞ্জল ৬-৫ দা থোইদুনা ফাইনেল চংখ্রে।